ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ ০৭, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৩৫শুবা মশীং

মখা শঙ্গোইদা শঙ্গুম্বা

কুইশিল্লক্লদি ফত্তে হায়বনিকো

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা য়ূম লিশীং ৫গী মথক্তা মৈ থাখ্রে। য়ূমশিংসিগী মথক্তা দুকান, হোটেল, কৈথেলশঙ অমসুং লাইনীংগা মরী লৈনবা মফম কয়াসু তাঙ্গোই ওনখ্রে। হায়রিবা থৌদোকসি লান শোক্নরিবা নাকল নাম্মতগী নত্তে। চীং অমসুং তমগী নাকল অনীগীনি। মরমশিং অসিদগী মীওই লিশীং ৬০ রোম লৈফম লৈতদুনা রিলিফ কেম্পশিং, প্রি ফেব্রিকেটেদ য়ূমশিং অমসুং সেল্টর হোমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবনি। লানগী অহানবা নুমিৎতগী হৌনা লৈরকপসু য়াওই, লান হৌরক্লবা মতুংদা ময়ূম-মকৈশিং মৈ থাদোকখিবদগী লৈরকপসু য়াওরি। লৈরক্লিবশিং অসিগী মনুংদা নুপী অঙাং অমসুং মহৈরোয়শিংসু য়াওরি। মতম কুইনা হৌজিক থা ১০ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা লৈশিল্লক্লবনিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী মনুংদা অঙাং উন্নবা অমসুং লৈখিদবগী থৌদোকশিং থোকচিল্লক্লে। অতোপ্পা লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লুখ্রে। মখা তানা পাঙথোক্তবা য়াদবশিং লৈরক্লগসু পাঙথোকখিগদৌরিবনি। মীওইবা অমা ওইরুবনিনা হায়রিবা থৌরমশিংসিদি তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবনি, পাঙথোকসনু। অদুবু লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংসিগী মনুংদা কুকি ফূরুপ্পা কোনশিনবা অপীকপা কাঙলূপশিংগীদি মখোয়গী লাইনীং নৎত্রগা চৎনবীদা লৈব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বদুদি খঙদ্রে। অদুবু মীতৈগীদদি অসিগুম্বা ফীভমদা লৈবসি 'শঙ্গুম্বা' হায়বদুমক্লি হায়না লৌগনি। ৱাহৈসিদগী খরগা হেন্না পাকথোক চাউথোরক্লগনা মীতৈগী 'মখা শঙ্গোইদা শঙ্গুম্বা' হায়বদুমক্লি হায়না লৌবদা থোইদোক্লা চুশিন্নদবা হায়বদি নাপ চাদবা হায়বদুমক্তি থোক্লরোই। অদুবু ফজ খ্রবা ফূরুপসিগী চৎনবীসিদি তঙাইফদবদগী ওইরক্তুনা মীঙ্গৌনরবসু ফীভমসিগী পান্দমদি তুংদা নুংঙাই য়াইফবা, অনা-অয়েক য়াওদবা, পূন্সি নুংশাংবা ওইরক্কদৌরিবনি হায়বগী থাজনবা অমগা লোয়নরকই। অদুগা মখা শঙ্গোইদা শঙ্গুম্বগী মতম অমসু লোয়নদুনা লাকই। হায়রিবা মতমদুদগী হেন্দোক্লবদি অমুক অৱা-অনা কয়া অমা মায়োক্নরকই হায়বগী থাজনবা অমসু লৈ।

অদুবু হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা নুপী অঙাংশিং য়াওনা য়াম্লবা মীওইশিং অসিগী তুংগী থাজবা, অফ-নুংঙাইগী ফীভমশিংদুবু করি-করি ওইরমগদগে? লৈবু লৈরমখিগদ্রা? শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবশিংদা ময়ূম মকৈ শানবনি হায়দুনা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়াম তিনবা থৌরমদা লুপা লাখ ১০/১০গী দম্মী চেকশিং য়েন্থোকখ্রগা থা অসুক শুরবা ফাওবদা মশা-মশাগী একাউন্টতা শেল চঙলমদ্রে হায়বগী ৱাথোক লৈখি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা লুপা ১০০/১০০ য়েনবদা থুংই/থুংদে, চাং-নাইনা পীদ্রে হায়বগী ৱাকৎসু পীক থনখি। ফীভমসিদা মখোয়গী তুংগী পূন্সিগী লম্বেল শিৎ-নান্না পুন্নং-লংনা উবা ফংজরমগদ্রা? লৈঙাক্লোইশিংসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা লান খাম্মু, লেপহল্লু, মখা শাংথহল্লক্লগনু ফাওবা হায়জবা ঙমজদ্রবসু সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) লৌথোকহন্নবা তকশিনগদবা লৈরি, নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন (এন আর সী) চৎনহনগদবনচিংবা মীয়ামগী থবক ময়াম তৌগদবা ৱাৎলি হায়দুনা এসেমব্লিদা ফাওবা ফম থাদোকপা য়াদ্রি হায়না ফোংনা হেক্তা হায়রকখ্রে। অদুবু 'সূ' লৌথোক্লগদি লানসি হেক্তমক লেপখ্রগদ্রা? চপ চানা লেপত্রবা ফাওবদা খরা ফাওবদি পাথরক্কদ্রা? পাথরক্লগদি রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবশিং মশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা হঞ্জিন্দুনা নৌহৌনবা য়ূম কৈ শাদুনা মহৌশাগুম হিংবা ঙম্লগদ্রা? ৱাহংসিগী পাউখুমদি লান খাম্বা ঙমদ্রবসু মীয়ামগী অনীংবা, অপাম্বশিং থবক্তা ওন্থোকখিগনি হায়রিবা ঙাঙবদনা ঈশিং লিৎতবা, থবক্তনা থুৎ লাউবশিংনা খুন্নক্কদবনি। হায়বিদে হায়নি, মীতৈগী ৱাহৈদা 'মখা শঙ্গোইদা শঙ্গুম্বা' হায়ব'মা লৈ। অদুবু মসিদি কুইনা শঙ্গুম্নদে। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিং পূন্সিগী ওইনা লৈহন্নবা হোৎনরকপা চুম্লোই। লৈবাক ঙাকপবু লোট্টরি টিকেট ককপা অমসুং লগাও থাবদৌনা তৌগনু। মীয়ামগী থবকসু ফজনা তৌগদবা, মপুকচেলসু খোয়দবা কোকথোং অমা লৈ, খঙজিল্লু।

ꯃꯈꯥ ꯁꯉꯣꯏꯗ ꯁꯉꯨꯝꯕ

ꯀꯨꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯗꯤ ꯐꯇꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤꯀꯣ

ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯈꯤꯕ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯌꯨꯝ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵ꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯃꯩ ꯊꯥꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯌꯨꯝꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯗꯨꯀꯥꯟ, ꯍꯣꯇꯦꯜ, ꯀꯩꯊꯦꯜꯁꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯒ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯃꯐꯝ ꯀꯌꯥꯁꯨ ꯇꯥꯉꯣꯏ ꯑꯣꯟꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤ ꯂꯥꯟ ꯁꯣꯛꯅꯔꯤꯕ ꯅꯥꯀꯜ ꯅꯥꯝꯃꯇꯒꯤ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯆꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯃꯒꯤ ꯅꯥꯀꯜ ꯑꯅꯤꯒꯤꯅꯤ॥ ꯃꯔꯃꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯶꯰ ꯔꯣꯝ ꯂꯩꯐꯝ ꯂꯩꯇꯗꯨꯅ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡ, ꯄ꯭ꯔꯤ ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯤꯀꯦꯇꯦꯗ ꯌꯨꯝꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯜꯇꯔ ꯍꯣꯝꯁꯤꯡꯗ ꯆꯉꯖꯐꯝ ꯂꯧꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ॥ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯑꯍꯥꯅꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ ꯍꯧꯅ ꯂꯩꯔꯛꯄꯁꯨ ꯌꯥꯎꯏ, ꯂꯥꯟ ꯍꯧꯔꯛꯂꯕ ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯃꯌꯨꯝ-ꯃꯀꯩꯁꯤꯡ ꯃꯩ ꯊꯥꯗꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯂꯩꯔꯛꯄꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤ॥ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯍꯩꯔꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤ॥ ꯃꯇꯝ ꯀꯨꯏꯅ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯊꯥ ꯱꯰ ꯍꯦꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯂꯩꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯅꯤꯅ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯇ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯑꯉꯥꯡ ꯎꯟꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯩꯈꯤꯗꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯂꯦ॥ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯒ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯊꯧꯔꯝ ꯀꯌꯥꯁꯨ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯨꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯕ ꯌꯥꯗꯕꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯛꯂꯒꯁꯨ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈꯤꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯨꯕꯅꯤꯅ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯊꯧꯔꯃꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯕ ꯌꯥꯗꯕꯅꯤ, ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯁꯅꯨ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯗꯨꯅ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯇ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯀꯨꯀꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯄ ꯀꯣꯟꯁꯤꯅꯕ ꯑꯄꯤꯀꯄ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯆꯠꯅꯕꯤꯗ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯂꯩꯇꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯤ ꯈꯉꯗ꯭ꯔꯦ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤꯗꯗꯤ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯩꯕꯁꯤ 'ꯁꯉꯨꯝꯕ' ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯃꯛꯂꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯒꯅꯤ॥ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯗꯒꯤ ꯈꯔꯒ ꯍꯦꯟꯅ ꯄꯥꯛꯊꯣꯛ ꯆꯥꯎꯊꯣꯔꯛꯂꯒꯅ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ 'ꯃꯈꯥ ꯁꯉꯣꯏꯗ ꯁꯉꯨꯝꯕ' ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯃꯛꯂꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯕꯗ ꯊꯣꯏꯗꯣꯛꯂꯥ ꯆꯨꯁꯤꯟꯅꯗꯕ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯅꯥꯞ ꯆꯥꯗꯕ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯃꯛꯇꯤ ꯊꯣꯛꯂꯔꯣꯏ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯐꯖ ꯈ꯭ꯔꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯁꯤꯗꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯕꯗꯒꯤ ꯑꯣꯏꯔꯛꯇꯨꯅ ꯃꯤꯉꯧꯅꯔꯕꯁꯨ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯟꯗꯃꯗꯤ ꯇꯨꯡꯗ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏ ꯌꯥꯏꯐꯕ, ꯑꯅꯥ-ꯑꯌꯦꯛ ꯌꯥꯎꯗꯕ, ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯡꯕ ꯑꯣꯏꯔꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯥꯖꯅꯕ ꯑꯃꯒ ꯂꯣꯌꯅꯔꯀꯏ॥ ꯑꯗꯨꯒ ꯃꯈꯥ ꯁꯉꯣꯏꯗ ꯁꯉꯨꯝꯕꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯁꯨ ꯂꯣꯌꯅꯗꯨꯅ ꯂꯥꯀꯏ॥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯃꯇꯃꯗꯨꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯂꯕꯗꯤ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯋꯥ-ꯑꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯀꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯥꯖꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨ ꯂꯩ॥

ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯇ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕ ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯉꯥꯡꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯅ ꯌꯥꯝꯂꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯇꯨꯡꯒꯤ ꯊꯥꯖꯕ, ꯑꯐ-ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯡꯗꯨꯕꯨ ꯀꯔꯤ-ꯀꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯗꯒꯦ? ꯂꯩꯕꯨ ꯂꯩꯔꯃꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯁꯨꯒꯨꯅꯨ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯑꯦꯟꯁꯤꯗꯒꯤ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯔꯛꯇꯨꯅ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡꯗ ꯆꯉꯖꯐꯝ ꯂꯧꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯗ ꯃꯌꯨꯝ ꯃꯀꯩ ꯁꯥꯅꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁꯇꯔꯅ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯇꯤꯅꯕ ꯊꯧꯔꯃꯗ ꯂꯨꯄꯥ ꯂꯥꯈ ꯱꯰/꯱꯰ꯒꯤ ꯗꯝꯃꯤ ꯆꯦꯛꯁꯤꯡ ꯌꯦꯟꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯒ ꯊꯥ ꯑꯁꯨꯛ ꯁꯨꯔꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯑꯦꯀꯥꯎꯟꯇꯇ ꯁꯦꯜ ꯆꯉꯂꯃꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯊꯣꯛ ꯂꯩꯈꯤ॥ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯇ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯗ ꯂꯨꯄꯥ ꯱꯰꯰/꯱꯰꯰ ꯌꯦꯅꯕꯗ ꯊꯨꯡꯏ/ꯊꯨꯡꯗꯦ, ꯆꯥꯡ-ꯅꯥꯏꯅ ꯄꯤꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯀꯠꯁꯨ ꯄꯤꯛ ꯊꯟꯈꯤ॥ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯗ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯇꯨꯡꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯂꯝꯕꯦꯜ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅ ꯄꯨꯟꯅꯡ-ꯂꯡꯅ ꯎꯕ ꯐꯪꯖꯔꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯨ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁꯇꯔ ꯅꯔꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯃꯣꯗꯤꯗ, ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁꯇꯔ ꯑꯃꯤꯠ ꯁꯥꯍꯗ ꯂꯥꯟ ꯈꯥꯝꯃꯨ, ꯂꯦꯄꯍꯜꯂꯨ, ꯃꯈꯥ ꯁꯥꯡꯊꯍꯜꯂꯛꯂꯒꯅꯨ ꯐꯥꯎꯕ ꯍꯥꯌꯖꯕ ꯉꯃꯖꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯁꯁꯄꯦꯟꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟ (ꯁꯨ) ꯂꯧꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯕ ꯇꯛꯁꯤꯅꯒꯗꯕ ꯂꯩꯔꯤ, ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯔꯦꯖꯤꯁꯇꯔ ꯑꯣꯐ ꯁꯤꯇꯤꯖꯦꯟ (ꯑꯦꯟ ꯑꯥꯔ ꯁꯤ) ꯆꯠꯅꯍꯅꯒꯗꯕꯅꯆꯤꯡꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯃꯌꯥꯝ ꯇꯧꯒꯗꯕ ꯋꯥꯠꯂꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯗ ꯐꯥꯎꯕ ꯐꯝ ꯊꯥꯗꯣꯛꯄ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯐꯣꯡꯅ ꯍꯦꯛꯇ ꯍꯥꯌꯔꯛꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ 'ꯁꯨ' ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯒꯗꯤ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯍꯦꯛꯇꯃꯛ ꯂꯦꯞꯈ꯭ꯔꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯆꯞ ꯆꯥꯅ ꯂꯦꯞꯇ꯭ꯔꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯈꯔꯥ ꯐꯥꯎꯕꯗꯤ ꯄꯥꯊꯔꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ? ꯄꯥꯊꯔꯛꯂꯒꯗꯤ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯇ ꯆꯉꯖꯐꯝ ꯂꯧꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯂꯧꯔꯤ ꯌꯨꯝꯐꯃꯗ ꯍꯟꯖꯤꯟꯗꯨꯅ ꯅꯧꯍꯧꯅꯕ ꯌꯨꯝ ꯀꯩ ꯁꯥꯗꯨꯅ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯨꯝ ꯍꯤꯡꯕ ꯉꯝꯂꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯃꯗꯤ ꯂꯥꯟ ꯈꯥꯝꯕ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕ, ꯑꯄꯥꯝꯕꯁꯤꯡ ꯊꯕꯛꯇ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯈꯤꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯉꯥꯡꯕꯗꯅ ꯏꯁꯤꯡ ꯂꯤꯠꯇꯕ, ꯊꯕꯛꯇꯅ ꯊꯨꯠ ꯂꯥꯎꯕꯁꯤꯡꯅ ꯈꯨꯟꯅꯛꯀꯗꯕꯅꯤ॥ ꯍꯥꯌꯕꯤꯗꯦ ꯍꯥꯌꯅꯤ, ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯋꯥꯍꯩꯗ 'ꯃꯈꯥ ꯁꯉꯣꯏꯗ ꯁꯉꯨꯝꯕ' ꯍꯥꯌꯕ'ꯃꯥ ꯂꯩ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯁꯤꯗꯤ ꯀꯨꯏꯅ ꯁꯉꯨꯝꯅꯗꯦ॥ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯇ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯂꯩꯍꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯔꯛꯄ ꯆꯨꯝꯂꯣꯏ॥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯉꯥꯛꯄꯕꯨ ꯂꯣꯇꯇꯔꯤ ꯇꯤꯀꯦꯠ ꯀꯛꯄ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯒꯥꯎ ꯊꯥꯕꯗꯧꯅ ꯇꯧꯒꯅꯨ॥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯨ ꯐꯖꯅ ꯇꯧꯒꯗꯕ, ꯃꯄꯨꯛꯆꯦꯜꯁꯨ ꯈꯣꯌꯗꯕ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡ ꯑꯃꯥ ꯂꯩ, ꯈꯉꯖꯤꯜꯂꯨ॥

নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১৬৪ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

ঐখোয়গী মতমদুদা লীলা য়াওমিন্নরকপশিং অয়াম্বনা নহা ঙাক্তনি। অহল য়াওদে। অদুনা ঐখোয় নহা মশেলগী ৱারীনা ৱাই চাইবনি। লীলাগী ফি শেৎফম, নহাগী ৱারী ঙাক্তনি। লীলানা লীলাগী ওইবা ৱারী তোঙান্না লৈজরসু, নহাশিংগীসু মশা-মশাগী লন্নাই ওইবা ৱারী অমমম লোইনা লৈজরিবনিনা, ইমাইপেন্মা হায়রগা থাবু থাজরোই। অঙকপা ৱারী নোক্লিংবা য়াম লৈবজাৎনি। লীলা য়াওরে হায়বদগী কোইনজবা নুপীগা কায়নবা য়াওরিপোৎনি কৈনো। চহী অমা অনীগা কোইনরক্লবা নুপীদুনা "কৈদৌবৈ লীলা য়াওরিনো, ঐদি লীলা য়াওবা পামজদে। নঙনা লীলা সুম য়াওরনি হায়রদি ইবানি কাইনরসি" গাইনা হায়রকপা য়াওরিপোৎনি। অদুদা "ঐদি লীলা য়াম পামজৈ, লীলাদি য়াওগনি" হায়রুবদা নুপীদুনা "অদুদি ঙসিদগী কাইনরসি" গাইনা হায়রম্মগা ফেৎ লাউনা চৎখিবগসু য়াওরিবনি। মতমদুদদি নুপী নুপা কোইনবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইবা ঙাক্তনি। হৌজিক্কী সুম্মাইনা ফোনদা করিদগা ৱারী নোংমত্তা শান্নবা নত্তে। ফোনসু লৈনদে। চিঠি ঙাক্তনি। চিঠিসিদি অরোইবীনি, হায়নীংবা ৱা লৈরসু চিঠি হায়সি ঙাইরে। হাপ্তা অমদা চিঠি অনীরক অহুম্লক্কুম্বগা হন্দোক হঞ্জিন ইন্নদুনা মঙ শাগৎনরিবনি। চিঠিসিনা কনানা পীরক্কদৌরিনো হায়বদা, নুপীদুনা মাগা তিন্নবা মমান্নবীদা, নৎত্রগা কোয়নদবা মী অমদা অমুক্তা পীবিয়ু হায়না পীরক্কদৌরিবনি। "পাথোকপদি য়ারোইকো" গাইনা চেকশিন্না শিন্নরক্কদৌরিনি। মীগী চিঠি অমা পীরক্লদি, মদু থুনা মপূদা য়ৌহন্নবা থবক লৈগেরা লৈরোইরা চিঠি থিনবা চৎনৈ। নুপানসু অদু মঙাই, চিঠিদু হেক ফংবগা, ফুরিৎখাওদা হাপচিল্লগা চিঠিদু তূমিন্না থম্নদে, কদাইদনো অমা পাফম অমা কোইথি থিদৌরিনি। হায়দোক্লগা ফজদবৈ ৱানি, খোঙ শুকহাম হামনীংদনা মীগী টোইলেটতা অমুক্তা চঙজগে হায়রগা চঙলগা চিঠি পাবা য়াওরিবনি। অদুদা অফবা ৱা ওইরম্মদি ফৈ, মরৈগকা তৌনদনা অশাওবগী ৱাগকা ইরল্লবদি ইশৌগা লাংনরদনা ওন্থোকপা অমনি। মসি লীলাগী পার্টিদসু অদুম থোক্লিবনি। অদুবু লীলাদি শান্নদবা য়াবা নত্তে। অদুনা লীলা মফমদা মেক-অপ তৌগেদি হায়দ্রদনা, চিঠি হন্নবা চে কলম ৱায়রগা পাকথদনা ইবগসু য়াওরিবনি।

য়াম্না নোক্লিংবা অমত্তং তমজগে লান্না লৌবীগনু, নুপীগা খরা কোইগনবা মীসু অদুম লৈদনা, মাসি লীলা পার্টিদসু অদুম য়াওই। মখোয়সিদি ফর্ষ্ট লেটর, হায়বদি নুপা অমনা নুপীদা ইহান হান্না নুংশি হায়না ফোঙদোকপগী চিঠিসি রেদিমেদতা হাপ্লগা পুরিবনি। অদুনা খুদক্তা মফম অমদা পামজবা নুপীগকা থেংনরদি, হান্নদগী হৌনা নুংশিজরকপগা শাদনা চিঠিদু তাঞ্জা য়েংলগা পীশিন্নরিনি। মসি অঙকপা অমনি। চিঠি পীরমদাইদা নুপাদুনা তৌবা এক্টিং ময়ামদুদি অরোইবীনি। মদুদং য়েংবদা লীলা নুংঙাইবা অমা য়েংবদগী হেনবনে। নুপাদুনা নোকফেৎ নোকফেৎ কা তৌশিন্দনা মী অমত্তনা নোক্ত্রসু মাদি খজিক খজিক্কা নোক্তৌরিনি। অদুসু নুপী লৈশাবীদুনা উনবা মঙংদা। মদু উবদা নুপীদুনা নুপাদুনা নোক্লিসি মঙোন্দনিসে গাইনা খঙদনা ঈরাং খরা তৌশিন্দনা মাসু নোকফেৎ তৌশিল্লবা, নুপাদুনা মাগী ফুরিৎখাওদা হাপ্পীবা চিঠিদুদা হুমজিনবা হৌরনি। অদুগা ফুরিৎখাও মনুংদা চিঠিদু মখূৎনা পায়বা হৌবদগী হৌনা কৈনোমা পীনীংই হায়বগী ইঙ্গিৎ ঈরাংসি তৌবা হৌরনি। অদুদগী দাইরেক্ট মখূৎমক্তা পীবদি ঙমদবা নৎত্রগা তাঞ্জা চাদ্রবা, নুপীদুনা উগদবা মফমদা চিঠিদু থাদরগা থমদুইনি। অদুগা নুপীদুনা খরা হন্দোক্লগা লৈদুইনি। অদুদগী নুপীদুনা তৌশিন্নরগা চঙশিল্লগা চিঠিদু খুল্লগা পুখিবদা নুপাদুনা হরাওবদা চোঙখৎতেদা খাকপনি। অদুগুম্বা নুমিৎতুদা লীলা শান্নবসিদি হায়দনা কান্নদে, শাথীনা নুংঙাইখ্রজাৎনি। লীলা য়াম পাল্লিবনি। ঐনা হায়জরিসি, ইশা-ইশানা পীবদা য়াওরদি ৱারৌবীনু, ঐ মিং পঞ্জদে, ইশাদি খঙবীরমগনি। নুপীশিংনসু শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি খল্লি। সিগুম্বসি নহা মশেন ঙাক্তনিনা য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোক ঙাক্তনি।

অদুদগী কোইনবা নুপীগা শাওনরগা লাকপা, কাইনরসিগা হায়রকপা, উননি গাইনা হায়নরগা থোরক্তবা নৎত্রগা লাক্তবা অদুগুম্বা নুমিৎতগদি লীলা শান্নবা নুংঙাইত্রে। লীলা ফি শেৎফম য়ৌবদগী উং উংদুনা লৈনবগসু য়াওরিবনি। অদুনা হংনৈ, "ঙসিনা কনাগা করি হায়নরক্লজাৎনো"। অদুদা মীদুনগা শাওরক্লিপোৎনি, "করেম্নরক্কনুকো, ঈগা খরা কারিঙৈসিদা" গাইনা খুম্মকপদনা ময়াম অদুম তূমিন লৈনৈ। মরমদি শাওরগা লীলা তৌমিন্নবা নুংঙাইরোই হায়দুনা মাগী ৱাদুদা অদুম ময়াম চিন খুমদুনা থিক-থিক নোক্নরগা তূমিন তূমিন লোইনা লৈনরিনি। সিগুম্বসি মী অমত্তগী ৱা নত্তে। খরদা অদুম থেংনৈ। মসি নুপা শাবদা ঙাক নত্তে। থাজবীরোই নুপী শাবীশিংগী মরক্তসু য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোক্লি। ঐখোয়নদি নুপী শাবীনি, নুপী কোইরম্মোইগাইনগা খনবা, অশ! তপ তাখে কোইবগসু থেংনৈ। অদুগা নুপী পনবা য়াদবসু অদুম য়াওই। নুপীসি হৈনদবা অমদৌনা তৌবগসু য়াওই। অয়াম্বনদি নুপী লোইনা কোই। লোইনদি হায়দোকচরোই, নুপী শাবীনা নুপী লোনবা কোকথোং অমা লৈ। য়ামদ্রবদা নুপী অনী/অনী লোনবা, অহুম শুবগসু অদুম য়াওই। অদু হায়রুবগা কৈদৌনি, মীগী পর্সনেল লাইফনি। শুন্নমক্তবু লৈ হায়জবগী ৱানি। নুপাদসু নুপী অমতগা নত্তনা নুপী মরি/মঙা কোইবা য়াম লৈদা ঐনা খঙবদা। অদুদগী হেন্দোক্তুনা নুপী লোনবসু ওখাক লৈ। ঐগীসি লোইনা হায়দোরক্লদি শোয়দনা ফরক তারনি অদুনা সিগী ৱারীসিমা মতাংসিদা লোইশিনজগে।

মী খুদিংমক্কী ওইনা পর্সনেল লাইফ হায়বসি লৈনরিবনিনা ৱারীসি মখল মখল থোক্লে। ঐমক্কী ৱারীদসু নোক্লিং নোক্লিংবা ৱারী কোকথোং অমা থোকখ্রপোৎনিদা। ঐবু পামজবা, ঐঙোন্দা ঙাওজবা ময়াম অমা লৈরিনি কৈনো। অদুবু ঐনা লোইনা সুম হায়দনা লৈগদ্রো। য়ামখ্রজাৎনি। অদো ঐখোয়দি কয়া অদোম মায়কৈদা ঙাওশিল্লুদে। মসিদি ঐনা হায়বদদি কয়া ফজদ্রে, হকথেংনবশিংনা হেন্না খঙবীরমগনি। নুপীদি তোকপু তোক্লসি। নুপী মানবীশিংনা ঐঙোন্দা ঙাওজবসি, পাউথংনজবা নৎচদেকো। য়াম্না য়ামখ্রজাৎনি। নুপী মানবীশিংসিনা ঐনা লীলা লাকপদা, মখোয়না হান্না মপান শাৎতনা লৈরম্মদৌনি। ঐনগা হায়রকপা য়েংলুবদা মোইনা ফ্রং ফ্রং চোঙদনগা হরাওজবা। অমনগা চঙশিল্লক্লগা "করি চানীংগেয়ে, লৈরক্কেয়ে" গাইনা হায়রিপোৎনি। অদুদা ঐনা মসিদি থেং-থেংদনা চাথোকহৌবা য়ারনি হায়না খল্লগা, "কোমলা লৈরকউ" দং হায়রুবদা কোমলা অমগা লৈরকপা নত্তে। ময়াম অমা লৈরগা পীশিল্লক্কদৌরিনি। অতৈ অচাপোৎ ময়াম অমগা লোয়ননা। অদুমাইনা অচাপোৎ চাথোক্লুরবা অদৈদি হৌরে নকশিল্লকপা। অদৈদি মোইদা চৎলুসি,চাক চাখ্রসি, এঙ্খাং হাওনা থোংগে চানীংবা অমা হেক্তা পীজগে গাইনা জাৎ জাৎ হারক্কদৌরিনি। অদুদা ঐনা "ঙসিদি খুদোং চাররোই, নোংমা লাক্কে, অদুগা চারসি" হায়না থেমদৌরিনি। অদুদগা হরাওজদনা তৌবগদু নুংঙাইখ্রবা কুম্ন্ধে মখল অমনি। অদুদা নত্তে, লীলাগী ওফিসতগা লাক্লগা ঐসি লাকপা ঙাইদুনা লৈরমগদৌরিনি। ঐদি অদুম অয়াম্বা মতমদা মতমসি য়াম্না চিল্লগা লাকই। ওফিস চৎপা, ঐগী লন্নাইগী থবক ময়াম অমা তৌবা মসিগুম্বা ময়াম অসিনা অরেম্বা মতম অমত্তা ফংলক্তে। ঐনা ওফিসতগী হোবে হোবে লাক্লগা লীলা চৎনবা তৌবদুদা ময়াম্না "নঙ ঙাইবা নোই শাই লাকপনি" হায়দৌরিনি। ঐনা কনানোনে হায়না য়েংথোক্লুবদা মোইদুনা নোকফেৎ তৌদুনা লৈরম্লনি। ঐ হুমাং অনপ্পী কাংই। অদুবু ঐবু উনবা লাপ্পা লাকচরিবদু তথী-তথী হায়বা য়াদবনিনা তৌশিন্নরগা নুংশিশন্নবা শারগা ৱারী শারনি। অদুদা তাৱেল লৈরগা পীরম্মীবা, ফুরিৎ কা লৈরম্মীবা, অচাপোৎ য়োম য়োমদনা পুরক্লগা পীরমখিবা ওন্থোকপা মখল মথেলগী লাইফনি। কোন্নথংদদি 'লীলা য়াওরগে' হায়না গীরি-গীরি তকপনি। অদুবু মোইদি লীলা য়াওবদা পকচগদবা কয়া উদবদুনা "ঙাইখো ঙাইখো মতম চারকান্দা হায়রক্কে, হৌজিক্তি ঐখোয়গী মী লোইনা শুনা লৈরি" হায়রুবদা 'রোল মচা অমতা ওইরসু য়াওহল্লু, শেলগা অমত্তা লৌজরোই, সুম তমজগে হায়বনি" গাইনা হায়রিপোৎনিদা।

নহা ওইরকপগী হৌনবা মখল মথেল কয়াগী ৱারী মরক্তুদনি ঐখোয়না লীলা মথেল কয়া অমা পুথোক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌজরকখিবা। তশেংনা অদুগুম্বা ময়াম অদু য়াম্না পাম্লুবগী ৱা অমত্তা নত্তে। তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবসু লৈরিবনি। ময়াম্না য়াবা হায়বসি মী মখল শুনা য়াহন্নবা হোৎনবা অমা তথৌ তাই। নৎত্রবদি মী খরনা মী অমবু শিধগে অমদি ওইজবা শিৎহনগে হায়না হোৎনবদা ইরায় লায়বনি। অদুনা মী খুদিং য়ানবা চৎপদা মথেল কয়া অমসু পূন্সিগী ঈচেলদা তিন্দবা য়াদবা মতাং কয়া অমসু লৈখিবনি। লীলা পার্টি মনুংদা নুপী শাবীগা নুপা শাবগা করি মরী লৈনবগে হায়বা ৱাহং ময়াম অমা ঐঙোন্দা হংবীরকপা য়াওই। মদুগী পাউখুমদি মথংগীদা ওইনা লীজরগে। ●

লৈঙাক পায়বীরিবশিংনা শেন্দানফম ওই লৈরব্রা?

পূন্সি ঈচেলদা - ৬০

ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

মে ৩দগী হৌরকখিবা ঈরাং অসিদা অশি-অনা নংলবা, ময়ূম-মকৈ, লন-থুম উৎ ওনখ্রবা মীওই লিশীং হুম্ফু হেনবগী অমদি লৌমীশিংগী মতেং খরতা ওইরবসু হায়না সেন্টরনা কাইথোরকখিবা শেনফমদো লৈঙাক পায়বীরিবা মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি মখোয়গা চৎমিন্নবা মীওইশিংগী শেন্দানফম ওইরব্রা হায়না হংনবা হৌরক্লে মীয়াম্না।

লৈঙাক্লদি অৱা অনা তাখ্রবা ইমুংশিংদা সিগী শেনফমসি মীওই অসুক্কী একাউন্টতা থাখ্রে, য়ূম অসুক শারে, শেনফম অসুক য়েন্থোকখ্রে অমদি পোৎলম অসুক য়েন্থোকখ্রে হায়বনচিংবা মীদিয়াদা তত্তনা লাউথোকপীরি। অদুগা ভিক্টিম ওইরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবীরিবা ইচিল ইনাওশিংনদি লৈঙাক্লা হায়রিবসি ফংদে হায়দুনা থল্লক্লি মীদিয়াদা। অদুগা রিলিফ কেম্পশিংদা শীজিন্নবা ফমুংসু চাদা ২৫ মুক্তনি ফংলিবা হায়না থেংনজরকখি মার্চ ৩গী টিভি পাউদা। য়ূমশিং অসিসু পীকমন্দনা লৈথোক লৈশিন য়াদে হায়। মসিগী মথক্তা, অনৌবা শাবা ওইবগা ফমুং য়াওদ্রবনিনা চোৎলি-চোৎলি তৌবা লৈমায়দুদা ফি থাদুনা তূল্লি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইমুং অয়াম্বনা ঈংখ্রবা নীংথমথা মতমসিদা। মসি লৈঙাক্লা উবীদবরা। করিগীদমক অথুবা মতমদা পীফম থোকপা শেনফমশিং, পোৎলমশিং য়ৌহনবিদ্রিবনো?

লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা লৌমী শিন্মী কয়াগী থাদরকখিবা শেনফমসু মতম চানা পীবিদে হায়না মীদিয়াগী থোঙদা লাউবা কয়ারক থেংনখ্রে। হৌজিক হৌজিক্লা কোকোমিগী ফার্মরস ৱিং অমদি লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ্পা অমুক থল্লক্লি লৌমীশিংদা পীফম থোকপা শেনফমশিং মতম চানা অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু হায়দুনা। ঈরাং অসিনা লৌ উবা ঙমহনখিদবা লৌফমগী পাক চাউবসি ৯,৭১৯ হেক্টরনি হায়না লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ্পা মীদিয়াদা থল্লি। লৌ-শীং উবা য়াদবদগী মাঙখ্রবা অমদি শোৎখহৌরবা শেনফম অসি খরতা ওইরবসু মেনখৎনবা হায়দুনা সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা মণিপুরগী লৌমীশিংগীদমক লুপা ক্রোর ২০৯.৪৫ থাদখ্রে হায়না কোকোমিগী ফার্মরস ৱিংগী মায়কৈদগী থল্লক্লি। অদুবু, হায়রিবা শেনফমশিং অসি কদায়দা লৈরি, লৌমীশিংদা কয়াম য়ৌখ্রে হায়বগী অশেংবসু খঙহন্দ্রি। লোয়ননা হায়রিবা ক্রোর ২০৯.৪৫ অসিদা লৌ উনা-উনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লান্দারক্কদ্রা কিবদগী য়েংশিনবীবা ঙমদবদগী নৎত্রগা মতম চানা লোকপা ঙমদবদগী মাঙখিবা শেনফম খরা হঞ্জিন্নবা (crop compensation package) য়াওরকখিবা শেনফম - ক্রোর ৩৮.৬০ অদুসু পীবিদনা লৈরি ঙসি ফাওবদা। মসিনা করি হায়রিবনো। মখোয়না ফংলগবু অসুম্না মীদিয়াদা লাউথোরকপগী মতিক, থৌনা লৈগদ্রা, লৈরোই।

নাকল অমরোমদনা, ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা খম থেংনা মায়োক্নরিবা ইরৈচাশিং অসিগী মতেং খরতসু পাংনবা হায়দুনা লৈত-লায়র ইমুং কয়াদগী হৌরকখিবা মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা লৈখ্রবা ঐখোয়গুম্বা মীওই কয়ানা ইরমদমদা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মতেং পাংবগী মথক্তা লান অসিদা চৈথেং ফংলবা, খম থেংনা ৱাজরবী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইমুংশিংদা, ফ্রন্ট লাইনদা লান ঙাকপীরিবা ইচিল ইনাওশিংদা অমদি অৱা অনা, অশি-অনা তাখ্রবা ইমুং কয়াদা অঙম অঙম্বা শেল খাইগৎনদুনা, খোমগৎনদুনা মতেং পাংলি।

ঙসি থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা য়াম্না নুংঙাইনা ঈংনা তপ্পা ইচাশিং অসিগা লৈরকপনি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা ঐহাক ইশামক। অদুবু মমাঙ চহীগী মে ৩গী লান অসি হেক হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদি ঈংন-তপ্পা, নে-না তানা হিংবা হায়বদো ঙল্লক্ত্রিৱাখলসে, থম্মোয়সে পোথাফম খঙদনা। ঈরাং অসিগী চৈথেং নংলবা থম্মোয় অসিনা চৈথেং ফংলবা ইরমদমগী ইরৈচা কয়াগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা লাকচরি ঙসি ফাওবদা। মসিননি মে তাং ৩দগী ঙসি ফাওবদা হরাও কুম্ন্ধে অমত্তা পাঙথোকপা লৈতনা লাক্লিবা। পাঙসু পাঙথোক্লিংদে থম্মোয়সিনা। য়াম্না মরু ওইখ্রবা ইনাৎকী নিঙোল চাক্কৌবা ফাওবা পাঙথোকখিদে ঙসি থোক্লিবা লানফম অসিদা অৱাবা তারবা ইরৈচা কয়া অদুগী অৱাবদা শরুক য়াবা ওইনা। অদুগা নোংচুপলোমগী চৎনবী ন্যু য়রসসু পাঙথোকখিদে। লোয়ননা চয়োল অনী পাঙথোক্লিবা লুনর চাইনিজ ন্যু য়রসু হন্দক্তি হান্নগুম কোইথোক চখোক তৌবদো অমত্তা তৌদ্রে। ঐহাক্কী লোয়নবীনা টাইৱানগী চাইনিজ নিঙোল অমা ওইবনা চহী ২৬/২৭ টাইৱান্দা লৈরকপসিদা লুনার চাইনিজ ন্যু য়রনা লাকপদা চহী খুদিংগী য়ামদ্রবদা নুমিৎ মরিনিদি কোইথোক্লিবনি ইমুং মনুং পূন্না। চহী খরদদি নুমিৎ মাপলনি, তরানি, তরামথোইনি ফাওবা কোইবা চৎলিবনি টাইৱান শিনবা থুংনা ঐহাক্কী কারদা।

চাইনিজশিংগী ওইনদি লুনার চাইনিজ ন্যু য়র হায়রিবা কুম্ন্ধে অসিদগী হেন্না চাউবা হরাউ কুম্ন্ধে অমমুক লৈত্রে (ঐখোয়গী চহী হৌবা চৈরাওবদি নোংমখক মদুসু অনী অমুক থোক্লি)। মরম অসিননি কুম্ন্ধে অসি লাকপদা চাইনিজ নাৎপু ইঞ্জবা, চৎচবা মীওইশিংনা অসুক্কী মতিক চাউনা চয়োল অনী চূপ্না পাঙথোক্লরিবা। অদুবু হন্দক্কী চহীসিমদি ইরমদমদা থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা থম্মোয়সে ইরূম লূম্বা, ইহৈ হৈনীংদবা কয়া ফাওবগা অমদি ইরৈচা কয়ানা অৱা অনা তারিবা, অশি অনা নংলিবা অসিদা অৱাবা শরুক য়াবা ওইনা নোংম ফাওবা কোইথোকপা চৎখিদ্রে।

ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা লান মরক্তা লৈরিবা ইরৈচা মীয়াম্বুদি থম্বু থমখিসি মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা লাপ্না-লাপ্না লৈখ্রবা ইরৈচাশিংনা মাগী-মাগী অঙম-অঙম্বা শেল-থুম খাইগৎনদুনা, খোমগৎনদুনা মতেং পাংলি ইরমদমদা থোক্লিবা লান অসিদা চৈথেং নংলবা ইমুং-মনুংশিংদা অমদি ঙমখৈ ঙাকপীরিবা থৌনা ফরবা ইচিল ইনাওশিংদা। মতেং পাংবা অসিসু অরাইবা নত্তে মফম অমদি মীশিং য়াম্বনিনা। হন্দক্কী থৌদোক অসিদি হান্নগুম কোভিদ-১৯গী মতমদা অনীরক অহুম্লক মতেং পাংখিবগী ৱাফমদুমদি ওইদ্রে। থা তরা ফানিংচিৎ ঈরাং অসি লোইশিন্দবনা অনীরক অহুম্লকখক মতেং পাংবদুদি য়াদবনিনা কয়ারক মতেং পাংবা মথৌ তারি। হৌজিকসু হায়বা ঙমদ্রি কয়াম কুইনা লান অসি চথখিগনি হায়বা। লান অসিনা হেক লেপত্রি ফাওবদি ঐখোয়সু মতেং পাংবদি লেপ্পা য়াদ্রি।

করম্নবু মতেং পাংদনা লৈথোকপা ঙমগদৌরিবা। মরু ওইনা য়াম্না লৈত-লায়রনা হৌরকখিবা ঐহাক্কী ওইনদি লৈবা ঙমদে ইরমদমগী ইরৈচা কয়ানা অৱাবসি উরুবদা, তারুবদা। ঐহাক্কী ইফমদদি অমুক্কা হেন্না ৱানা থোকই মতেং পাংবসি ঐখোয়গী ইচিল ইনাও মরি-মতা অয়াম্বনা নোংম-নোংমগী শূজ-নোমজদুনা হিংজবা ওইবনা। অদুনা মরক মরক্তা মখোয় ময়ামগীসু অঙম অঙম্বা খরা খরতা ওইরবসু শেল খরা-খরা থারিবনি। ইচম চম্না য়ুনিভর্সিটি অমদা ওজা অমা ওইনা থবক তৌজবা ঐহাক্লা ইমুং ১৪/১৫ মতেং পাংলকপা হায়বসি খাইদোক্লখিবদা হেক্তা লেমহৌদে। মসিগী মথক্তনি রিলিফ কেম্পশিংদা অমদি ঙমখৈ ঙাকপশিংদসু শরুক থুংনবা হোৎনরিবা। ইরমদমগী ঙমখৈ কায়খ্রবদা, অতোপ্পগী মখাদা ইফূরুপ্পা মীনাই ওইখ্রবদা ঐহাক্লা মীরমদা নুংঙাইনা লৈরুবগী কান্নববু লৈখিগদ্রা হায়বসি ঐহাক্কীসু ৱাখল্লোননি।

মাগী-মাগী ঙমজ-ঙমজবা হোৎনদুনা চেঙ খাইবা য়াও, এঙ্খাং পাংবা য়াও, ফিরোল পাংবসু য়াও, শেল খাইবা য়াও, শেল নীবা য়াও তৌদুনা লৈত-লায়র ঐখোয় ময়াম্না অসুক কন্না মতেং পাংনবা হোৎনরিঙৈ তাঙ্কক অসিদা সেন্টর লৈঙাক্তগী লান অসিদা চৈথেং নংলবা, অশি অনা নংলবা, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীচম মীয়াম অমদি লৌমী শিন্মীশিংগী অৱাবদা মতেং খরতসু ওইনবা হায়না থাদরকপা শেনফমশিং মতম চানা য়ৌহনবীদ্রে। মসিগী মহুত্তা লৈঙাক পায়রিবা মিনিষ্টর, এম এল এশিং অমদি মখোয়গা চৎমিন্নবা ওফিসরশিংনা শেনফমশিং অসি মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাও থন্ননবা পীরকপগুম য়েন্থোক্লখ্রবরা হায়না হংনবা হৌরক্লে। মীয়াম্না ফংফম থোকপা শেনফমশিং অমদি পোৎলমশিং পীবিদবগী পেন্দবগী খোল্লাও কয়া অসি মীদিয়াদা, পাউচেশিংদা তারু উরুবদা। মতাংসিদা নীংশিংজনীংবদি, লন-থুম হায়বসি শিবদা পুবা য়াদবনি হায়বসি খক কাউবীগনু, শেল-থুমদা য়াম্না করাম্বা, চোপচবা মীওইশিংনা? ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা'

(নিংথৌরোল লম্বুবা) - (১১৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি)

হাওলৈমা তমহৈবী ও হায়না মিংকৌয়ে। নবেনখোঁ মৈতে লৈমা। হাওরৈমা তমহৈবীনা। মৈদিংগু লাইরেল। মশাবী ইবুঙো কাইনৌ ইরেংবা। অশি কোরৌ নোঙাগানবা। য়োইবু লৈবাক লৈমা হাওলৈমা তমহৈবীনা। মশাবী মবুংঙো লাইরেল মৈদিঙ্গুগী শকতম পুকনুং শকপানথোং শকতম শাহনগে হায়না। মদাইরেম মনাই অথোইবা। কবুই হাওচোংচানা। থৌদা য়াৎপী। কুরাও উনা শকথোং য়ান। পামেল উয়াল শেমনা। লাইরেল মৈদিঙ্গুগী। চেংলৌ শকতম শকপানথোং। পুনুং লেমপালথোং মশা শকতমশা। য়াইঙও শংচু হু শংনা তৈনা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯱꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯍꯥꯎꯂꯩꯃꯥ ꯇꯃꯍꯩꯕꯤ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ॥ ꯅꯕꯦꯅꯈꯣꯡ ꯃꯩꯇꯦ ꯂꯩꯃꯥ॥ ꯍꯥꯎꯔꯩꯃꯥ ꯇꯃꯍꯩꯕꯤꯅ॥ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ॥ ꯃꯁꯥꯕꯤ ꯏꯕꯨꯉꯣ ꯀꯥꯏꯅꯧ ꯏꯔꯦꯡꯕ॥ ꯑꯁꯤ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯉꯥꯒꯥꯟꯕ॥ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯩꯃꯥ ꯍꯥꯎꯂꯩꯃꯥ ꯇꯃꯍꯩꯕꯤꯅ॥ ꯃꯁꯥꯕꯤ ꯃꯕꯨꯡꯉꯣ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯄꯨꯛꯅꯨꯡ ꯁꯛꯄꯥꯟꯊꯣꯡ ꯁꯛꯇꯝ ꯁꯥꯍꯅꯒꯦ ꯍꯥꯌꯅ॥ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯃꯅꯥꯏ ꯑꯊꯣꯏꯕ॥ ꯀꯕꯨꯏ ꯍꯥꯎꯆꯣꯡꯆꯥꯅ॥ ꯊꯧꯗꯥ ꯌꯥꯠꯄꯤ॥ ꯀꯨꯔꯥꯎ ꯎꯅꯥ ꯁꯛꯊꯣꯡ ꯌꯥꯟ॥ ꯄꯥꯃꯦꯜ ꯎꯌꯥꯜ ꯁꯦꯃꯅ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯒꯤ॥ ꯆꯦꯡꯂꯧ ꯁꯛꯇꯝ ꯁꯛꯄꯥꯟꯊꯣꯡ॥ ꯄꯨꯅꯨꯡ ꯂꯦꯝꯄꯥꯜꯊꯣꯡ ꯃꯁꯥ ꯁꯛꯇꯃꯁꯥ॥ ꯌꯥꯏꯉꯑꯣ ꯁꯡꯆꯨ ꯍꯨ ꯁꯡꯅ ꯇꯩꯅ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীওয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসু মীওয়েংগা থোইদোক্লবা মরী লৈনদে।